HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অমুকো) গী ৩২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নুমিৎ নীনি চত্থরকখিবা ঈ পীবগী থৌরম রিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা লোইশিনবা নুমিৎতা ঈ পীখিবা মীওইশিং

লৌশিং পূক্কে : মীওইবগী মশক লেপ্পবা 'লোজিক' ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ উমোরোক থাবা
হঙ্গামদা তাবা শাথীবা তীল ৱাহিক ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টনা মহৈলোয়শঙশিংদা ফিল্ড ...
ছটিসগরদা নক্সল লালহৌবা ৩১ হাৎখ্রে... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ নেশনল গেমস ২০২৫ : আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্সতা...

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেশননা শীন্দুনা পাঙথোরকখিবা 'ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি' কেম্পেন্যনগী ১১রক শুবা কুমওন থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 305 | নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ১৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, February 10, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মমৈথংদা বিরেন চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে, গভর্ণরনা অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :**

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা মণিপুরদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না এম এল এ ২১ কাখিবা বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা য়াবগী এবসোল্যুট মেজোরিটিদি লায়রদনা সিঙ্গল লাজেষ্ট পার্টি ফাওবা ওইখিদ্রবসু মীখল অদুদা কারকপা কোংগ্রেস এম এল এ ফাওবা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগা লোয়ননা এন পি এফ অমদি এন পি পিনা শৌগৎতুনা নম্ফুদা লৈঙাক পায়বা য়াবগী মশীং শুহল্লগা চহীদুগী মার্চ ১৫দগী হৌরক্তুনা ঙসি ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫ ফাওবা চহী ৭ লোম চূপ্না চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইরকখিবা নোংথোম্বম বিরেন ঙসি নুংথিল গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাদা



এন বিরেননা সম্বিট পাত্র অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং অমদি এন পি পিগী এম এল এ খরগা লোয়ননা গভর্ণরদা চীফ মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌবগী চেরোল পীশিনবা

ফম অসিদগী রিজাইন তৌবগী অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। মহাক্কী চেরোল অদুমক গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা অয়াবা পীখ্রে। অদুম ওইনমক অতোপ্পা থৌরাংশিং পায়খৎত্রিবা ফাওবদি মহাকপু চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা মখা তানা লৈখিনবা পাউতাক পীখ্রে।

মহাক্না লুচিংবা অহানবা লৈঙাক্কী মতমদসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী তমথীরবা লায়না মায়োক্নখ্রবা মতুং কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদদি বি জে পিনা সিট ৩২ ফংদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ওইবদগী চহীদুগী মার্চকী অহুমশুবা চয়োলদগী অনীরকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা মণিপুর লৈঙাক লুচিংলকখিবনি। অহানবা লৈঙাক্তা চহী ৫গী টর্ম শুনা মহাক্না লুচিংদুনা ষ্টেট লৈঙাক চৎহন্নবা হোৎনরকপদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পুৱারীদা অমুক্তংা থোকখিদবা দিফেক্সন/দিসক্কালিফিকেশন নচিংবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবসু টর্ম শুনা পায়রকপা ঙমখি। অদুগা অনীরকশুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



GOVERNOR'S SECRETARIAT
RAJ BHAVAN, IMPHAL

PRESS RELEASE
9th February, 2025

Chief Minister of Manipur, Shri N. Biren Singh today submitted his resignation to Governor of Manipur, Shri Ajay Kumar Bhalla at Raj Bhavan, Imphal. The Chief Minister accompanied by some Ministers, MLAs and BJP State President reached Raj Bhavan this evening and called on the Governor. He submitted the resignation to the Governor.

Governor accepted the resignation of the Chief Minister along with Council of Ministers and asked him to continue in office till alternative arrangements are made.

*****

এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং কোনশিন্দুনা পীশিনবা রিজিগনেশনগী চেরোলবু রাজ ভবননা অয়াবা পীরকখিবা

## এসেমব্লি : ঙসিদগী পাঙথোক্লবা গভর্ণরনা সম্মন তৌখিবা ওর্দর অদু চৎনররোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৪দা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম হয়েং অয়ূক পুং ১১দগী হৌননবা সম্মন তৌখিবা অমসুং সম্মন অদুগী মতুংইন্না এসেমব্লিগী সেক্রেটরিএটনসু নোটিফিকেশন অমা থোকখিবা অদু কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৭৪গী ক্লোজ (১) না পীবা পৱারগী মতুংইন্না চৎনররোই হায়না ঙসি ওর্দর অমা থোকখ্রে।

রাজ ভবনদগী ঙসি থোরকখিবা ওর্দর অদুমক এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী মায়কৈদগীসু ওফিশল ওইনা থোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মীফম অসিদা পূন্না সিট্টিং ১১ লৈগনি হায়না এসেমব্লিগী বিজিনেশ এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম্না লেপথোকখিবগা লোয়ননা মীফম অসি হৌনবগীদমক এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী মায়কৈদগী মথৌ তাবা থৌরাং পূন্নমক লৌখৎপা লোইখ্রবনি। মসিগী মথক্তা হন্দক্কী মীফম অসিদা ওপোজিশন কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মথক্তা নো-কনফিদেন্স মোশন থাঙ্গৎকনি হায়নসু ফোঙদোরকখ্রবনি।

## চীফ মিনিষ্টরনা রিজাইন তৌখিবসি তৌফম থোকপা মতমদগী থেংথরবনি : জয়রাম রামেস



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাংৱাইরম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং য়াওনা বি জে পি মণিপুরগী ইন চাজ'সু ওইবদা নত্তনা পার্টি অসিগী নেশনল স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা সম্বিট পাত্রগা লোয়ননা লাক্তুনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাদা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌবগী অইবা চেরোল পীশিনখিবা অদু তৌফম থোকপা মতমদগী থেংথরক্লবনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স' তা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংগী মনুংদা হয়েংদগী হৌগনি থৌরাংলম্বা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা কোংগ্রেসনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী মায়োক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## এম পি এগী ৩৮শুবা মপোক কুমওন মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে : এম শকহেন



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমদা এম পি এগী ৩৮শুবা মপোক কুমওন মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এম পি এগী ৩৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী দিরেক্টর চরাইরোংবা থোকচোমনা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ) গী ৩৮শুবা মপোক কুমওন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

